# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-46

**(Indian experiences of extreme weather in recent past)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) খোমৈ - খুনগী লুচীংবা (২) পোইরৈতোন - ক্লাইমেৎ সাইন্টিষ্ট
(৩) থৌয়াম্বা- খুনগী পাখং

নুপী:- (১) ঙানবীসনা - থৌয়াম্বগী মমা
(২) ৰাংলেনথোইবী - খুনগী লুচীংবা খোমৈগী মচানুপী

(মতম:- নুমিদাং, মফম: খোমৈগী য়ুম, নোং কন্না অখাক-অরাও য়াওনা চুবা)

ৰাংলেন্থোইবী :- ইস! নুংশিৎসিসু কন্না শিৎলে... নোংসিসু চুথরক্লে... থোং থোংনাওশিংসে অমুক্তা লোনশিনখিগে... ঐ ইতোমতা য়ুমসিদা লৈ হায়বসি খঙনা খঙনা হৌজিক ফাওবা ঐখোয় পাবসে হঞ্জিল্লক্তেনে, ঐ ইতোমতা লৈবা কীরমগনিকা অমতা খন্দ্রবরা খঙদে (নোং কন্না চুবা, নুংশিৎ কন্না শিৎপা)... পাবসু লাক্তরে ঐদি ইতোমতা য়াম্না কীরে, কমায় তৌনি ঐদি (পাখৎপা)...।

ঙানবীসনা :- (হোবে হোবে কৌবা) হায় ইবেম্মা... ইবেম্মা ৰাংলেন্থোইবী নংবু থোংসি অমুক্তা হাংঙুনে... ইবেম্মা... ৰাংলেন্থোইবী...।

ৰাংলেন্থোইবী :- ইনে কৈদৌরগে, ঐদি নোংলৈ নুংশিৎ কন্না শিৎলকপসিদা কীমন্দুনা থোং থোংনাও লোয়না লোনশিনলগা লৈরল্লিবনি।

ঙানবীসনা :- ইবেম্মা ! নোয়গী পাবা তাদা খোমৈবু লৈবরা?

ৰাংলেন্থোইবী :- ইনে পাবদি হৌজিক ফাওবা হঞ্জিল্লক্ত্রি, কৈদৌরবনো খঙদে ঙসিদি, নুংতিগী ঙন্না ঙন্না হঞ্জিল্লকপনি।

ঙানবীসনা :- ঙসাই নুমিদাংৰাইরমদি অতিয়াসে পুমশেং শেংলম্বনি সুমাইনা কন্না নুংশিৎ শিৎলক্কনি নোং চুথরক্কনি হায়বসে থাজরুদে।

ৰাংলেন্থোইবী :- হৌজিক্কী মতমসিদি করম্বা মতমদা নুংশা খংশা শারক্কনি, নোং খংচু চুরক্কনি, নুংশিৎ শিৎলক্কনি হায়বগাসে তম্বা ঙমদরে, অইং-অশা নোংজু-নুংশাগী খলসে পুমকায় কায়রেদা ইনে।

ঙানবীসনা :- হোয়নে হৌজিক্কী মতমসিদি য়াম্না হোংলে ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা ওইরম্বা মওং মতৌগা য়াম্না খেন্নরে, ইহে ইনেনা লাক্লিবগী মরমদি নঙোন্দা হায়বু হায়দ্রি।

ꯔাংলেন্থোইবী :- করি মরম লৈরগে ইনে, করি তৌবা য়াওরগে।

ঙানবীসনা :- ঐখোয়গী থৌয়াম্বদুসু ঙসাই নুমিদাংৰাইরমদগী য়ুমদগী থোকখিবনি, হৌজিক ফাওবা হঞ্জিল্লক্তবদুদা নোয়দগা লৈবরা য়েংগে হায়দুনা লাকপনি।

ৰাংলেন্থোইবী :- দাদা থৌয়াম্বদি ঙসিগী ঐখোয়দা শুংলাক লাক্লমদে, মাদি কদায়দা কনাগীদা চৎখ্রবজাৎনো?

ঙানবীসনা :- অদুননি ঐনা পাখৎমন্দনা নোং নুংশিৎকা কীবা খঙদখে নোয়দা লাক্লিবসে, মাদি কদায়দা লৈখ্রজাৎনো ইনেদি য়াম পাখৎলেবো।

ৰাংলেন্থোইবী :- অমুক্তা পাখৎপীখিনু ইনে, কনানা খঙনি ঐখোয় পাবাগা পুনলম্বসু।

ঙানবীসনা :- হোয়নে তাদগা পুনবু পুনলম্লদি ফৈ, অদুদি নৎত্রদনা নোংলৈ নুংশিৎ মরকসিদা অৰা-অনা তারম্লদরা খল্লুবদা ইনেদি পাখৎপনা লোইরে।

খোমৈ :- (মপান্দগী কৌরকপা) ইবেন্মা ইপা লোয়না চোৎলেহে, তৈথোক্লবা ফদি অমতা পুথোরকউহে।

ৰাংলেন্থোইবী :- ইনে ! পাবা হল্লকঅমাল্লে, পাবা ! লাকএ লাকএ, পুরকএ পুরকএ।

খোমৈ :- কদোমদগী নোংলৈ নুংশিৎনো খঙদে ঙহাক্তংদি ওন্থোক্লা কন্না শিৎখরে, নোংদুনা মরোল অমা অমুক কন্না চুথরকপনে, ইপাদি চৎফম খঙদদনা কঙাওনদুনা লৈরুরবনি, থৌয়াম্বা তান চানা থেংনরমদ্রবদি ইপা হৌজিক ফাওবা য়ুমদা হল্লকখিরোই, খুদোংথিবা নংলম্বসু য়ারিবনি।

ৰাংলেন্থোইবী :- হায়মা ! দাদা থৌয়াম্বা ঐদি দাদা য়াওরকই হায়বা খঙলুদরে, সে ফদিসিনা চোৎলিবশিংদু তৈথোকওসে, ইনেসু ঐখোয়দা লৈয়ে।

থৌয়াম্বা :- ঐখোয় ইমাদি নোং মরকসিদা কৈদৌবা লাক্লিবা হৌজিকপো ।

ঙানবীসনা :- নংনদি থেংলফাওবা হঞ্জিনবীরক্তরে অদুদদি পাখৎতুনা ৰাংলেন্থোইবীহোয়দগা লাক লাকপরা য়েংগে হায়দুনা লাক্লন্নিবনিদনা।

খোমৈ :- থৌয়াম্বা... ঙানবীসনা... নমা নচা নোংসি খরা পাথরক্লগা ওইনা চৎলো, ঐখোয় পুল্লপ ফম্মিন্নদুনা ৰারী ঙহাক শাখিসি, হৌজিক ওইরক্লিবা নোংজুগী ফীভম অসিনা অসুমক হয়েং ফাওবা লেপ্তুনা চুরবদি ঈশিং চাওবদি শোয়ররোয়।

ৰাংলেন্থোইবী :- দাদা থৌয়াম্বা, ইনে ঐ চা লোনলক্কে চা অশাবা অমমম থকসি, ঐখোয় পাবগা ৰারী শাবীরন্মু।

খোমৈ :- ইবেন্মা চাদু খরা হাওনা লোনলকউ, ইশাসি নোং চোৎলুবগী ইংবনসু লোইরে, চা ফোং ফোং শাবা অমতং থক্লগা ইশাসে খরা শাগৎপরা য়েংগে।

ৰাংলেন্থোইবী :- হোয় পাবা, দাদা থৌয়াম্বা বোরা ফোং ফোং শাবসু হৌরক্কে চাশিরা।

থৌয়াম্বা :- ৰাংলেম্হোইবী ! বোরাদু ঐগীদি য়ারনি খুরাহোয়গী ওইনা হৌরক্কে হায়রদি কৈসু কাইদে।

ঙানবীসনা :- ইবেম্মা ! নোংনা কন্না চুবনে বোরাদু হৌরুরনু ৰাননবনি চাদুদং লোনলকও, ইনেহোয়সু য়ুমদা খরা থুনা হনখিনবা তৌগে।

খোমৈ :- ঙানবীসনা ! নঙগী নৌপ্পানুপা ইন্দিয়া মেট্রোলোজি দিপার্টমেন্টতা সাইন্টিষ্ট ওইনা লৈবদুবু, করি মাগী মমীংদুবু...।

থৌয়াম্বা :- খুরা ! ঐখোয় মামতোনগী মীংদি পোইরৈতোন হায়বনি, মাদি আদা দিল্লিদা অদুম লৈখরে য়ুমদগা পাক পাক থোক্লক্তরেদা।

খোমৈ :- হোয়নে ঐদি কুইনা উনমন্দবদুদা মমীং ফাওবা নীংশিংবা থোকত্রবনি, কুইরে মানা ঐখোয়গী খুনসি থাদোক্তুনা চৎখ্রিবসি, মখোয়গুম্বা লাইরিক লাইশু হৈবা গ্যান লৈবা মীওইশিংসে ঐখোয়গী খুনসিগীদা নৎতনা লৈবাকসিগী চাওথোকচনিংঙাইনি।

ৰাংলেম্হোইবী :- ময়াম চা পুজরক্লে, চা থক্লসি, পাবা সে, ইনেগীসু লৈরে সিদা, দাদা থৌয়াম্বা নঙগীসু সে।

ঙানবীসনা :- (চা থকপা) হন্দক্তি ঐখোয় ইবুংঙো পোইরৈতোন্দু য়ুমদা থোক্লক্তবা য়াদে হায়খিবা তারে, হৌজিক ঐখোয়গী খুনসিদা ওইরক্লিবা মহৌশাগী ফীভমদা অকায়বা হোংলক্লিবশিং অমদি লৌউ-শিংউবগী ফীভমদা অমাংবা, ওইরক্লিবশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা উপায় তৌহৌদ্রবদি ঐখোয় মতম খরগী মতুংদদি হীংবদা য়াম্না অৰাবা ওইরনি।

ৰাংলেম্হোইবী :- হোয়নে মামতোন্দু উদবা য়াম্না কুইরে, ইনে ! ফোন তৌরগা মামতোন্দু খরা থুনা লাক্লবা অমুক্তা হায়খোবা।

থোয়াম্বা :- ঐ হৌজিকমক ঐখোয় মামতোন্দা ফোন তৌগে (ফোন দাইল তৌবা, ফোন রিং চৎপা)।

পোইরৈতোন :- (ফোন রিসিপ্ত তৌবা) হল্লো... থৌয়াম্বা ... কৈদৌরে করি লৈরে...।

থৌয়াম্বা :- মামতোন কৈসু তৌদেয়ে, সে ইমাগা ৰারী শান্নৌও, ইমানা ৰা খরা হায়নিংবমাল্লে মামতোন্দা।

ঙানবীসনা :- ইবুংঙো পোইরৈতোন, কৈদৌরে নঙদি থবক য়াম্না চীনলবরা ফোন ফাওবা তৌরকখিদরে, সিদা নচেগা নমাক্কা লৈহৌরিগসে লোয়না কাওরবরা?

পোইরৈতোন :- ইচে ! ওন্থোক ওন্থোকপা ৰাবু হায়রে, ঐনা কৈদৌবগী ইচেগা থৌয়াম্বগবু কাওথোক্কদোয়নো, হন্দকসে ঐসে প্রোজেক্ট অমখক লোয়শিন্নবা হোৎনবদা ঙহাক্তা ফাওবা শংদদুনা তৌবনি, লোয়বুদি লোয়শিনলক্তোরে। ইচেহোয় অনা-অয়েক য়াওদেকো।

ঙানবীসনা :- অনা-অয়েকপুদি য়াওদে অদো য়ারদি নঙসু য়ুমদা থোরক্তবসু কুইরে হন্দক্তি য়ুমদা থোক্লক্তবা য়ারোই।

পোইরৈতোন :- ইচে ঐসু হন্দক্তি য়ুমদা লাক্কে খনলল্লিবনি, ঐ ঐগী থবকশিংসে থুনা লোয়শিনলল্লগা য়ুমদা লাক্তুনা মতম খরা লৈদুনা ঐখোয় খুনগী শেমগৎ-শাগৎপগী থবক খরসু পায়খৎকে খল্লি।

ঙানবীসনা :- ফরে ফরে অদুদি নঙ খরা থুনা লাক্লবা তৌরোকো।

পোইরৈতোন :- হোয় ইচে, ফোন থম্মেকো অদুদি।

ঙানবীসনা :- তাদা, ঐখোয় পোইরৈতোন্দু য়ুমদা য়াম থুনা থোরক্লগনি হায়রকই।

খোমৈ :- ফরেদা, মা লাকঅগা করি করিনো তান্নবা য়াবা তান্নরগা খুন অসিগী থবক খরা তৌহৌদবা য়াদে।

ৰাংলেন্থোইবী :- দাদা থৌয়াম্বাহোয়গী মামতোন য়ুমদা থোরকঅদি ঐগী লাইরিক মখা তমথবগী মরমদসু খন্নহৌরসিকো পাবা।

খোমৈ :- হোয় হোয় খন্নহৌরসি, অদো ঙানবী ! নমা-নচা চাক চারগা ওইনা হল্লোদনা।

থৌয়াম্বা :- খুরা ঙসিদি চাজররোই, নোংমা ওইনা চারগে, ইমা নোং খরা পাথরকইঙাইসিদা য়ুমদা হলহৌরসি।

ঙানবীসনা :- হোয় হোয় চৎলসি, তাদা ঐখোয় অমুক য়ৌজরগে।

খোমৈ :- ফরে ফরে চৎলো চৎলো।

-ম্যুজিক-

(মফম: ঙানবীসনাগী য়ুম, মতম: অয়ুক, উচেক ৰায়া খোংবগী মখোল)

ঙানবীসনা :- হায় থৌয়াম্বা... ইবুংঙো... কৈদৌরগে নঙবো হৌজিক ফাওবা লোইশিন্দ্রিবরো, নোয় মামতোনগী ফ্লাইট লাকপা মতম ওইশিনলক্লনি, নোয় মামতোন লৌবা চৎপা থেংখ্রেনে নঙবো (মতোমতা কোইরাং লাংবা), ঐখোয় পোইরৈতোন লাকঅদি ইমুংগসে মোৎলি, উফুল থাংঙি হায়দুনা হেক য়ৌরকপগা ঙাংঙরনি অমুক্তা প্রপ প্রপ উফুল-ৰাইফুলসে তৈথোকহৌখিগে... অস ! ইবুংঙো থৌয়াম্বা নঙবু কৈদৌরগে হায়বনি থেংঙে হায়রগা অমুক কৈদৌ লৈরগে চৎলোনে নঙবো।

থৌয়াম্বা :- ঐখোয় ইমাগী হৌনবী গ্যান মেন তাদনা চবেং-চবেং ঙাংবা হৌরক্লবরা? হো ঐখোয় মামতোন্দো এয়রপোর্টতা লৌবা লাকত্রসু য়ারনি, মা অদুম মমান্নবগী গাড়ীদা লাকঅগে হায়না ঙসাইনা ঐঙোন্দা ফোন তৌরকঅবনি, ইমানা খঙদি খঙদনা পংঙাংদা ঙাংঙি।

ঙানবীসনা :- অদো নঙদি ঙসাইনা ঐঙোন্দা হায়বা য়াদবরো, ঐদি খঙদবনিনা থেংখ্রে নোয় মামতোন এয়রপোর্ট য়ৌরকপনা হাল্লনি হায়দুনা পাখৎতুনা ঙাংলিবনিদনা।

থৌয়াম্বা :- (গাড়ী খামখিবগী মখোল) হায়রিঙৈদা মামতোন্দি য়ৌবু য়ৌরক্লেনে, ইমা মামতোন লাকএ।

পোইরৈতোন :- ইচে...ইচে...ঐ লাকএ... ঐ লাকএ ইচে ।

ঙানবীসনা :- ঙাইখো ঙাইখো অদুদা অমুক্তা লেপখো মৈ অমুক্তা ওকথোকখিসি, ইবুংঙো... থৌয়াম্বা... মৈখেৎতু অমুক্তা পুরকউনে নঙবো।

থৌয়াম্বা :- সে ইমা মৈখেৎ হায়দু সিদা লৈরে, মামতোন ! ঐগী করি লৈরকই, ঐগী করিমতা লৈরকত্রবো।

পোইরৈতোন :- নংনা য়াম্না পামগদবা পোৎ অমা মামতোন্না নঙগীদমক লৈরকই, ঐনা করিমতা লৈরকতবা হৌনবরো ইমাক্কীবো।

ঙানবীসনা :- সে সে মৈসে ওকথোকওসে, লাকও লাকও ইমুংদা চংঙসি লাকও।

থৌয়াম্বা :- মামতোন ! ঐনা পাম্বা পোৎ অমা লৈবীরকই হায়দু, পীরোদনা য়াম য়েংনিংঙে হায়বা।

ঙানবীসনা :- মসি অঙাংসিদি ঙহাক্তংগা ঙায়বা ঙল্লোইদবনি, নোয় মামতোন্দু মাগী কাদা চংলগা মফি মরোলগা অমুক্তা হান্না হোংদোকহনলুখো ।

পোইরৈতোন :- সে সে নঙগী খুদাং ঘড়ী অমা লৈবীরকপনিসে, ইচেগীনা মুগা ফী অমা লৈরকই।

থৌয়াম্বা :- ঘড়ীসিদি য়াম ফজেয়ে মামতোন, ঐনা হেক পামজবা মওং অদুনি সিদি।

ঙানবীসনা :- চৎলো চৎলো নফী নরোল হোংদোকচরুরো, চাক চাথোক্লবা তৌরসি (নোং কন্না খোংলকপা), কৈনো হৌজিক্কীদুবো নোং নৎত্রা খোংলিদুবো।

পোইরৈতোন :- মানি নোংনি ইচে, হৌজিক্তা নুংশা য়াক্লা শারম্বসে মায়কৈ পুন্বা পুন্মম মমশিনখরে, নোং কন্না চুথরক্কদবা মাল্লে।

থৌয়াম্বা :- মামতোন ! হৌজিক্কী অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী মওংসে ঙহাক ঙহাক্কী অহোংবা লৈরেকো, হৌজিক নোংজু থাসু নৎতবসিদা নোং পংতাদা তাবা অমা তৌখৎলক্লি, মমাং চহিদনা ঐখোয়গী লমসে নোং অমা ফাওবা তাদদুনা ইকং থোক্তুনা মীপুম খুদিংমক কয়াদা ৱানখিবা, হন্দক চহিসিনা অমুক ইচাও থোক্তুনা ঐখোয় মীওইবশিংসে অৱাবা য়াম্না মায়য়োক্লরক্কদৌরিমাল্লে।

পোইরৈতোন :- অচুম্বনি, হৌজিক মালেমগী মফম খুদিংমক্তা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী অৱা চৈথেং ফংলবনি। হৌখিবা চহি তরা-কুনসিদা ঐখোয়না মালেমসিদা শাবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকপদগী নোংজুগী চাংদা অকায়বা কয়া ওইহনলক্লি। নোংগী ঈশিংগী মতেংনা লৌউ-শিংউবা মফমশিংদা লৌউশিংউবগী পোৎথোকশিংদা চাওনা অকায়বা থোকহনলক্লি। কালেনগী মতম শাংদোরকপা অমদি কাহেন্না শাগৎলকপা অদুগা নীংথমথাগী মতমনা তেনশিনলকপা অমদি কাহেন্না ঈংশিনলকপনচিংবা কয়া ওইরক্লি।

ঙানবীসনা :- ইবুংঙো ! অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাংদা অকায়বা অহোংবা ওইরকপদগী নোংগী চাং ৱাৎনা তারম্বা মফমদনা নোংগী চাং ৱাংনা তারকপা অদুগা নোংগী চাং ৱাংনা তারম্বা মফমদনা চাং ৱাৎনা তারকপনচিংবা কয়া থোরক্লি হায়বসিবু অচুম্বরা?

পোইরৈতোন :- অচুম্বনি ইচে, রাজস্থানগী লৈঙোই লম মরুভুমীগী শরুকশিংদা কাহেন্না ইকং থোকপা অমদি ইচাও থোকপনচিংবা হৌখিবা চহি খরসিগী মনুংদা থোরক্লি।

থৌয়াম্বা :- মামতোন ! রাজস্থানগী বারমর হায়রিবা মফম অসিদসু হন্দক চহি খরসিদা য়াম তোয়না ইকং থোকপা অমদি ইচাও থোকপদগী মফম অদুদা লৈবা মীওই কয়াগী পুন্সিদা চাওনা অৱাবা মায়য়োক্নরক্লি হায়বসি চুম্বরা?

পোইরৈতোন :- উম, ইং ২০১৫ দা রাজস্থানগী বারমর দিস্ত্রিক্তা লৈবা খুঙ্গং লিশিং অনিগী মথক্তা ইকংনা মরম ওইরগা লৌউশিংউবদা চাওনা অমাংবা থোকহনখি, মীওই কয়া অৱাবা মায়য়োক্নখি। অদুগা ইং ২০১৬তনা অমুক নোং কাহেন্না চুবদগী ইচাওগী অৱাবা কয়াসু থেংনখি।

ঙানবীসনা :- হৌজিক্কী মতমসে ঋতুগী খোংচৎসে তম্বা ঙমদরে, চহি অমদনা নোংগী চাং য়াম্না ৱাংনা তাই চহি অমদনা অমুক নোংগী চাং য়াম্না লীক্লা তাই, অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী খল কাইরকপসিনা লৌমীশিংগী পুন্সিদদি চাওনা অৱাবা ওইহনলে।

থৌয়াম্বা :- মালেম পৃথিবী অসি চহি খুদিংগী অসুম অসুম শাবা হেনগৎলকপদগী নোংজুগী চাংদা চাওনা অকায়বা ওইহনলক্লিবনি হায়বসি চুম্মীকো মামতোন।

পোইরৈতোন :- অচুম্বনি থৌয়াম্বা, হৌজিক মালেমসিদা লৈরিবা ঐখোয়না চাওনা মায়য়োক্নরিবা ইশ্শু অসি গ্লোবেল ৱার্মিং হায়রিবসিনি, মীওইবা ঐখোয়না ফোশিল ফ্যুএলশিং কাহেন্না শিজিন্নরকপদগী এটমোস্ফিয়ারদা কার্বোনদাওক্সাইদকী চাং খংৱাং ৱাংখৎলক্তুনা নুংশাগী মৈশা কাহেন্না চুপশিনলকপদগী মালেমগী শাবগী চাং অসি অসুম অসুম হেনগৎলক্লিবনি, সাইন্টিষ্টশিংগী মত মতুংইন্না হৌজিক্তগী চহি ৫০ রোমসিগী মনুংদা শাবা হেনগৎলকপদগী ঊনগী শরুকশিং কাহেন্না শৌদোরক্তুনা সমুদ্র মপান্দা লৈবা অকুৎপা লম অয়াম্বা সমুদ্রগী ঈরোলনুংদা লুপশিনখ্রগনি হায়না হায়রি।

ঙানবীসনা :- ৱারীসে কোন্না তপ্না মেন তানা অমুক শান্নরসি, চাকসি হান্না অমুক্তা চাথোক্লবা তৌসি, নোংসি তাঞ্জা চাদনা কন্না চুথরক্লে, নুংশিৎসু শিৎকৎলক্লে তৌরিসে, হায় হায় অঙাংশা থোং থোংনাওসে অমুক্তা লোনশিন্নবা তৌসি (নোং কন্না অখাক-অরাও য়াওনা তারকপা)।

-ম্যুজিক-

(মফম: খোমৈগী য়ুম, মতম: নুমিদাংৱাইরম, নোং কন্না তাবগী মখোল)

খোমৈ :- ইবেম্মা ৱাংলেন্থোইবী ! নোংসি হাংবা কৌবা লৈতরে, হোরেল নুমিদাং নোংশিনা লেপ্তুনা মচুরবদি তুরেল লৈরাই শোয়দনা নীংখাইরক্লনি, ঐখোয়গী খুনসে ঈশিং পুমথুম থুমজিনখ্রগনি।

ৱাংলেন্থোইবী :- পাবা! মমাং চহিনা ইকং থোক্তুনা লৌউ-শিংউবগী থবক অমতা য়াদদুনা মনা-মশিং, মহৈ-মরোং অমতা ফজনা পানখিদে, ফৌসু ফজনা লোক্ত্রবনিনা চাক তাংদুনা অৱাবা কয়া ঐখোয় পুম্নমক্লা থেংনখি হন্দক অমুক ইচাও থোক্লবদি পাবা কমায় তৌনি ঐখোয়দি।

খোমৈ :- খংদ্রে ইবেম্মা ঐখোয়না তৌগদবসে, নোংজুথাগী মতমদি য়ৌগদবা থা অনি অহুম ৱাৎলি, তারিবা নোংজুগী মওংসিদি নোংজুথাদগী হেল্লে (নোং অদুমক লেপ্তুনা তায়)।

ৱাংলেন্থোইবী :- পাবা ! দাদা থৌয়াম্বাহোয়গী মামতোন পোইরৈতোন্দো ঙসাই লাকএ হায়য়ে, উম অদো পাবা নোংবুদি তারি ইনে ঙানবীসনাহোয়দা চৎলুসিরা।

খোমৈ :- হুম ঙসিদি চৎলগুমসি হয়েং অয়ুক ঙন্তা ওইনা চৎলসিদা, অদুগনে ইচা থোইবী মরুওইবা পোৎলম পুম্নমক ফজনা য়োমশিন য়োমশিন্দুনা অৱাংবা মফমদা থাঙ্গৎতুনা থম্নবা ইপা-ইচা তৌসি, হন্দক্কী নোং খুচুসি মওং অমনি পাক হাংগদবা মান্দে।

ঙানবীসনা :- (মপান্দগী কৌরকপা) তাদা... তাদা খোমৈ... ইবেম্মা... ৱাংলেনথোইবী থোংসে অমুক্তা হাংঙুনে (থোং থীনবা)।

খোমৈ :- ইবেম্মা মপান্দা কনানোমা কৌবা মাল্লি থোংসে অমুক্তা হাংলুচো।

ৱাংলেন্থোইবী :- (থোং হাংবা) হায়মা ইনে নোং মরকসিদা কৈদৌবা য়াওরগে, ইতোমতা লাকপরা কনা কনা লাকমীন্নগে।

পোইরৈতোন :- ৱাংলেন্থোইবী নৎতরো, নঙদি লৈশাবী ফারল্লেনা, ঐগা ঐখোয় থৌয়াম্বগসু য়াওরকইএ।

ৰাংলেন্থোইবী :- হায়মা মামতোন, নোং লোয়না চোৎপা তারে, মাঙ্গোন্দা কাখৎপীরকও, দাদা থৌয়াম্বা... ইনে প্রপ প্রপ কাখৎপিরকও লোয়না চোৎপা তারে।

খোমৈ :- কনানো লাকইদুবো ইবেম্মা, কনা কনানো হায়বনি।

ৰাংলেন্থোইবী :- পাবা ! ইনে ঙানবীসনাগা মামতোন পোইরৈতোনগা দাদা থৌয়াম্বগনে।

খোমৈ :- অদুদি ইমুংদা ওইনা চংহনলকওদনা, নোংগা তাবসিদা মোয়বু করি তৌরে হায়গেনে।

ৰাংলেন্থোইবী :- হোয় পাবা, ইনে ইমুংদা ওইনা চংলসি, পাবগী মনাক্তা পুল্লপ হেক্তা ফম্মীন্নরগা ৰারী শারুরসি (চংখিবা)।

থৌয়াম্বা :- খুরা নোংসিসু লেপ্পা লৈতরে, তুরেল ঈশিং ইমায় করম তৌরি য়েংবা ওইনা ঐখোয় মামতোনগা ইমাগা পুল্লপ হেক্তা খুরাহোয়দসু চংলমগে হায়দুনা লাক্লিবনি।

খোমৈ :- ইবুংঙো পোইরৈতোন, নঙ ঙসাই অয়ুক লাক্লে হায়বদি খুরাসু তারবনি, হয়েং ওইনা লাক্লগে তৌরম্বনি, নখোয় হৌজিক পুল্লপ খুরাগীদা লাকপসে য়াম্না ফরে, তুরেল ঈশিংদি কয়াম হেনগৎহৌরবা।

পোইরৈতোন :- ঈশিং ইমায় য়াম্না ৰাংনা লৈহৌরে, ঐখোয়না লাকচরিবসে খুরাহোয় চেকশিন্না লৈবীনবা হায়জগে হায়দুনা লাক্লিবনি, ইন্দিয়া মেটরিওলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ৱেদর ফোরকাষ্ট তৌরকপগী মতুংইন্না অৱাং-নোংপোক ভারতকী মফমশিংদা ঙসি নোংমা নিনিসে অকনবা মওংদা নোং চুগনি হায়রি, হোরেল অহিংসিমগা হৌজিক তারিবা নোংজুগী চাংসিদা অসুমক তারবদি ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা খুল অয়াম্বা ঈশিং ইচাও শোয়দনা নংলবা য়ানা লৈরে।

ৰাংলেন্থোইবী :- অদুদি ঐখোয়দি কমায় তৌনি পাবা, ঐদি য়াম কীজরে (পাখৎপা, নোংসু অদুম লেপ্তুনা তাবা)।

ঙানবীসনা :- ঙায়খো ঙায়খো ইবেম্মা অমুক্তা পাখৎখিগনু, ঈশ্বরনা তম্বা অমা লৈজরমগনি, ঐখোয়সু চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা য়াবশিং লৌখৎলগা লোয়রে।

খোমৈ :- চৎলো চৎলো ইবেম্মা, নোংগা তাবসিদা চা ফোং ফোং শাবা অমমমদুম থকসি, হাওনা লোনলুচো ইচাশিদি।

ৰাংলেন্থোইবী :- হোয় পাবা, নোংসিদা হাংবীখ্রদি ফনিদা, ইকং অমুক থোক, ইচাও অমুক থোক হীংবসি ৰাদৌরি ঐখোয় মীওইবসে (ঙাংঙা ঙাংঙা চঙখিবা)।

খোমৈ :- ইবুংঙো পোইরৈতোন, হৌজিক মালেমসিগী মফম খুদিংদা ওইরক্লিবা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাং কাইরকপদগী অৱাবা নংলক্লিবা, লায়না লায়চৎ মখল কয়া অমা থোরক্কুনা মীশি মীনা কয়া য়াওরক্লিবা, খঙদ্রে খঙদ্রে ঐখোয় মীওইবসিবু কয়াম কুইনা হীংদুনা লৈবা ঙমখিগদৌরিবনো।

থৌয়াম্বা :- খুরা হৌজিক ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্লিবা অসি ঐখোয় অমতা ওইনা ৱাখল তামীন্নদুনা গ্রীন হাউস গ্যাসশিং মরুওইনা কার্বোনদাইওক্সাইদকী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসি হন্থহন্নবা হোৎনহৌদ্রবদি ঐখোয়দি অসুম অসুম ৱাবা হেনলক্লনি।

পোইরৈতোন :- অচুম্বনি, ঐখোয়না তৌবা য়াবা থবক খুদিংমক পুন্না খুৎশম্নদুনা তৌবা তাবনি, মহৌশাগী উমং-ৱামং কা হেন্না কোকথোক্লকপা, পেট্রোল, দিজলনা চেনবা গাড়ী মশিং কাহেন্না হেনগৎলকপা, কয়লা শিজিন্নবগী চাং হেনগৎলকপা মরম ময়ামসিদগী গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপদগী মালেমগী শাবগী চাং হেনগৎলক্কুনা মতম অমতদা মফম খরদনা নোং চাং ৱাংনা তারকপা, মফম খরদনা লীকনা তাবা, মরম ময়াম অমা ওইহনলক্লি।

ৱাংলেন্থোইবী :- ময়াম চা ফোং ফোং শাবা পুজরক্লে, থকঅসি, অদো মামতোন ভারতকী মফম কয়াদা অকিবা ফংলবা ঈশিং ইচাও কয়া চহি খরসিদা থোকপদগী মীওই কয়াগী পুন্সিসু মাংহনখ্রেকো, চীং নীংখায়বগী থৌদোক কয়াসু থোকখ্রে, পুম্নমকসি প্রকৃতিগী খুৎশেম কয়া ঐখোয় মীওইবনা অসুম অসুম মাঙহনলকপদগী ওইরক্লিবনিকো।

পোইরৈতোন :- উম অচুম্বনি, ইং ২০১৩গী জুন থাদা উত্তরখন্দগী কেদরনাথকী মফমশিংদা থোক্লখিবা অকিবা ফংলবা ঈশিং ইচাও অদুনা মীওই লিশিং মঙারোম হেনবগী পুন্সি মাংহনখিবদা নৎতনা অমাং অতা কয়া অমা থোকহনখি।

খোমৈ :- ইবুংঙো পুম্নমকসি নোয়গী গ্লোবেল ৱার্মিং হায়রিবসিগা মরি লৈনবরা।

পোইরৈতোন :- খুরা ! য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ, গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা শাবা হেনগৎলকপদগী কেদরনাথকী অকোয়বদা লৈরিবা ঊনগী শরুকশিং কাহেন্না শৌদোরকপা অমদি নুংশিৎ শাবা খঙহেন হেনগৎলকপদগী অতেনবা মতমদা ক্লাউদ ব্রষ্ট থোক্কুনা নোং কাহেন্না চুথরকপদগী অকিবগী মশক ফংলবা ঈশিং ইচাও অদু থোকখ্রিবনি।

ঙানবীসনা :- ইস ! মতমদুদা মফমদুদা লৈরিবা মীওইশিং অদুনা নংলমগদবা অৱাবশিং অদু খনলুবদা তুবু চুংঙি ইশাসে।

থৌয়াম্বা :- ইমা, নেচরেল দিজাষ্টর হায়বদি মহৌশানা থোকহনবা অমাং অতাশিং অসে অসুম অসুম হেনগৎলক্লি, মামতোন ইং ১৯৯৭দা ক্লাউদ ব্রষ্টনা মরম ওইরগা হিমাচল প্রদেশতসু মীওই ১৫০০রোমগী পুন্সি মাংখিকো।

পোইরৈতোন :- উম, মীওই কয়াগী পুন্সি মাংখ্রিবনি, ইং ২০১৮গী আগষ্টকী তাং ৮দগী হৌরগা নুমিৎ ১০নি নোং লেপ্তুনা চুবদগী কেরলাগী মফমশিংদা ঈশিং ইচাও থোকপদগী মীওই ৪৮৩ রোম হেনবগী পুন্সি মাংহনখি, মীওই ১৪০রোমনা থীবা ফংখিদে অদুগা মীওই ২০০০ রোম হেনবনা লৈফম লৈহনখিদে, য়াম্না চাওনা অমাং অতা থোকহনখি।

ꯔাংলেম্লোইবী :- ভারতকী ওইনা ইং ২০০৭ দগীনা ইং ২০১৮ ফাওবসিগী মনুংদা কাহেন্না শাবগী অৰাবা কয়াসু মায়য়োক্লখি অমদি অৰাং থংবা ভারতকী শৰুকশিংদা ঊফুল পুবা নুংশিৎ অকনবা কয়া শিৎলকপদগী মীওই কয়াগী পুন্সি মাংখ্রিবসিসু গ্লোবেল ৱার্মিংগা মরী লৈনৈকো মামতোন।

পোইরৈতোন :- উম য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ। গ্লোবেল ৱার্মিং থোক্লকপদগী মালেমগী ঋতুগী খোঙচৎ অসি অসুমক কাইরক্লি, পুম্নমকসিবু থোকহনলক্লিবা অসিনা ঐখোয় মীওইবনি।

খোমৈ :- ইবুংঙো নোংসিসু লেপ্পা লৈতরে কমদৌসিগে ঐখোয়বো, ঐখোয় মীওইবশিংসে ইকং অমুক থোক, ইচাও অমুক থোক, লায়না মখল মখল অকি অকিবা কয়া অমুক থেংনা ৱাদৌরিদা হীংবসে।

ঙানবীসনা :- নোংগী ফীভমসিনা অসুমক সুমাইনাসুম তারবদি শোয়ররোই ঐখোয় ইচাওগী অৰাবা মায়য়োক্লবা অদুনা ইবেম্মা ৱাংলেম্লোইবী নঙসু চাক ঈশিং থোংহৌরো, করি করিনো লোইশিনবা য়াবা লোইশিনহৌরো ইনেহোয় অমুক চৎলগে, তাদা ঐখোয় অমুক চৎচরগে।

খোমৈ :- ফরে ফরে চৎলো, থৌয়াম্বা নঙনা লৈকায় নহাশিং খোমদুনা করি করিনো ঈশিং ইচাও থোকলক্কদবসিদগী মাংজৌননা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎহৌনবা খরা শিনলুরো।

থৌয়াম্বা :- হোয় খুরা, মামতোন চৎশি লাকও।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক অঙনবা, লৈকাই ক্লবকী লম্পাক, ময়াম লাংবা, পাখৎনবগী মওং)

ৱাংলেম্লোইবী :- ইনে, লাকও প্রপ প্রপ চৎসি লাকও, ক্লবকী লম্পাক্তা মীয়াম পুম্নমক থোক্লরক্তুনা তুরেল লৈরায় ইফুৎ চৎপশিংদু মেন্নবা হোৎনহৌরি।

ঙানবীসনা :- হোয় লাকও লাকও নখোংদু কন্না থাংলকও, চান-থক্লবা এঙ্গাং-নাপী, হাৱাই-চেংৱাইসিসু খরা লৈশিন্দুনা থমহৌদ্রবদি চানিংঙাই লৈরোয়দৌরিবনি, ঈশিংনা পুমথুম থুমজিনখ্রবদি লৈফম চাফম লৈতদনা অৰাবা ওইগদৌরিবনি।

থৌয়াম্বা :- (মাইক পানলগা লাওবা) মায়কৈ অসোমদা লৈবীরিবা ইমা-ইবেল, ইপা-ইপল, ইচিল-ইনাও, ইচে-ইচল পুম্নমক্কী মফমদা করিগুম্বা খরদং খঙহনজরি মদুদি হৌজিক তুরেল লৈরায় অসি নীংখায়বা হৌরক্লে, ময়াম চংদুনা থীংননবা হোৎনরবসু থীংবা ঙমদরে মরম অসিনা ময়াম পুম্নমক শাফগদবা মফম য়েংবীরগা মফম চানা চানা লৈবীনবা হায়জরি, ইশা-ইশাগী মরুওইবা পোৎলমশিং মফম চানা চানা থম্বীনবসু নীংশিংজরি...।

ꯔাংলেম্থোইবী :- ইনে, তুরেল ঈশিং কাইদৌরে হায়য়ে, কমায় তৌনি ঐদি য়াম কীজরে, লাকও চেনলসি লাকও য়ুম য়ৌনবা (পাখৎপা)।

ঙানবীসনা :- ঐখোয় স্বাইদা নোং তাবা লেপখিবদুদা করিসু তৌররোইদবা খল্লুবনি, ঈশিং ইমায়দি সুম হেনগৎলকপা লেপ্তুরে, তুরেল মরুদা নোং লেপ্পা লৈতনা তারবমাল্লে, লাকও ইবেম্মা... (স্বর থবেৎ থবেৎ হোনবা)।

খোমৈ :- হায় ইবেম্মা, ইপাদি ইচা হনলকমন্দবদুদা পাখৎতুনা থীরক্লিবনি, ঙানবীসনা নঙসু য়াওরল্লি লাকও লাকও খরা থুনা চৎসি।

পোইরৈতোন :- (পাখৎনা লাকপা) ইচে... ইচে কৈথেল চৎলুনি হায়না চৎখ্রগা লাকমন্দবদুদা পাখৎতুনা থীরক্লিবনি, খুরা খোমৈগী মপাদনি ঈশিং ঈফুৎ থীংবা ঙমহৌদ্রিবসে, খুরা... ꯔাংলেম্থোইবী লাকও খরা থুনা চৎসি, খুরাহোয়দগী মরুওইবা পোৎশিং ঐখোয়রোমদা হোন্দোকপা য়াবা খরা হোন্দোকহৌরুসি, ঐখোয়রোমদনা খরা শাফগদবা মাল্লি।

খোমৈ :- (ময়াম লাংনবা) হায় ঈশিং কাইরমাল্লেনে... ইচাশা... ইনাওশা... কমদৌনি তৌরিসিদি...

ঙানবীসনা :- (পাখৎনা) ঈশিং কাইরে... ঈশিং...কাইরেয়ে কমায় তৌনি... (ঈশিং কায়বগী ইরাওখোল, ময়াম কোয়চেন চেনবা)...।

থৌয়াম্বা :- ইমা...মামতোন...খুরা...ꯔাংলেম্থোইবী...ঐদি নখোয় ময়াম কদোমদা লৈখ্রগে হায়দুনা কোইথি থীরুরি লাকও ঐখোয়গী লৈরক্কাদু ঈশিংনা পুমথুম থুমজিনহৌরে। লৈকায়গী মী অয়াম্বসু ঈশিং থুমজিনলকওইদবা মফম, মমাংগী স্কুলদা লোয়না থমলল্লে (হোবে হোবে ঙাংবা)।

পোইরৈতোন :- লৈবাক মীয়ামগীদমক, মালেমসিগীদমক ক্লাইমেৎ সাইন্টিষ্ট অমা ওইদুনা মীয়াম্বু অৰা-অনা থোক্কদবদগী কঞ্জনবা হোৎনবদা থৌদাং খরদং লৌবা ঙম্নবা হোৎনজবসি ঐবু মায় পাকপা ঙমগদৌরিবরা খঙদরে, কাইথরক্লবা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী খল অসিদগী মালেম পৃথিবী অসিবু কনবা ঙমগদৌরিবরা ঐখোয়বো... (নুংঙাইতনা শোনবা)।

-ম্যুজিক-